# কৌব্রু চীংনা করি হায়রি ?

## এস ভানুমতী

*ঐহাক* কৌব্রু চীংনি। ঐহাক্কী অতোপ্পা মিং অমনা 'মীহিঙলেন মীপোকপা কৌবনি। চীংঙু খোয়ুম অতিয়া শিদবগী লাইওল-লাইচৎ ওইরিবা কৌব্রু কৌবা লাই ঐদি অৱাং কৌব্রু অশুপ্পা লাইমনাই খুন্দা অহানবা, চরীক মপাল থারিবা, নোংথ্রৈ মউ লিংবীবা, শামু অঙৌবা তোংলকপা, ইঙা কুমদম্বা, ইঙেন কুমখাইবা, মচা মনাই নমু তাইবঙ মীওইববু চাকোন-নাউকোনবীগে, থৌজাল লনকুবীগে হায়বগীবু অৱাং কোরৌ নোংমদোল লাইরৈবাক্তগী খোঙগুল্লকপা লাইনিংথৌ হায়না মিংথোল্লিবনি কৌব্রু ঐদি।

লৈশেমঙৈদগী লৈরক্লবা মণিপুর সনা লৈবাক্কী লৱাই-লেম্ফুনি হায়নরিবনি ঐ। মতম কয়াগী মমাঙদগী ঐগী ইশাইকোনসি উ-ৱানচিংবা মখল কয়াগী পাম্বী, নাপী-শিংবী, শা-কৈনচিংবা মখল কয়াগী জীবশিংগী লৈফম ওইদুনা কয়াদা ঈংনা চীক্না লৈজবা নীংথীবা মফম অমা ওইজরম্বা। ঐগী ঈতম্বাকসিদনিনে কৌব্রু লাইশানা মনীংতম্না, অকি অখং অমত্তা লৈতনা শান্নজখিবা। ঐগী ইশাইকোন অসি মণিপুর সনা লৈবাক্কী অশেংবা লাইফমনি থাজনরি। ৱাংথোইরবা উপালশিংনা থন্না হৌরিঙৈ, উপাল খুদিং মচু মচুগী উরৈনা য়োল্লমই। শাশিংনা মবুক থন্না চাবা ওক্লবা উহৈ-ৱাহৈ, নাপী-শিংবী মরাং কায়না লৈরম্মী। ঈশিং পুবা অপাইবা লৈচিলশিংদুনা ঐগী কুংনা হৌবা অৱাংবা উপালশিংগা মায়োক্ন বদা নোংখোঙ ফুয়না চুরিবনি। নোং চুমনবা অদুমক্না 'কৌব্রুনা কুমদম্বা' হায়না মীতৈ য়ূমথোং খুদিং শেন্নরিবনি।

ষণ মরুম শাবা চীংগী চীংয়াঙদা অরূবা লাইজনা চোল্লবা পুখ্রি লৈজরল্লিবনি। তেন-ৱা হায়না খঙনবা ৱা পাম্বী মচা মচাশিংনা চীংমায় থন্না কুপ্তুনা অশংবা রেশমগুম নীংথীজরম্বনি। মনা পূংলবা তেন-ৱাশিংদুদা নুমিদাংৱাই অমদি নোংঙাল্লমদাইগী লিরি হুল্লকপা নুংশিৎনা য়ৈবদা শ্বাই-শ্বাই হায়না মখোল নুংশিনা থোক্লকপদুনা অতাবা মীওই কয়াগী পূক্নিং শুক্নৎলিবনি। ষণ মরুম শাবা চীংথকসিদা মায়কৈ ঙাকপা লাই ময়াম খুন্দিন্নবনি। মফমসিদা 'লাইমোরা' পরেং অমসু লৈ। অহলশিংনা তাকপীবদা লাইনুরা তরেৎকীনি হায়না মথৱায় য়াওনা ৱারী লীবীবসু কোঙ্গায়নি। মানা মানা হায়বসু অদুম মচুমনৈ। ষণ মরুম শাবা চীংথকসিদা মায়কৈ ঙাকপা লাই ময়াম খুন্দিন্নফমনি হায়দুনা মফমসিদা লাকপা মীওইশিংনা য়াম্না থাজনা ঈরাৎ থৌরম তৌনরিবনি। 'ফমফম-লাইমোরা' ময়াম লৈবা মফমদুনা লাইয়ামগী হংচীক-লাংফম, য়াকাফম, খুন্দিন্নফমনি। অদুবু ঙসিদি, তাইবঙ মীশিংনা ফত্তবসিদি চাংদম্নীংঙাই লৈত্রেদো। মহৌশাগী খূৎশেম পূম্বা মাঙহল্লগা অপেনবা ওইরে। তুংগী পুন্সিগী চাওখৎ থৌরাং অমত্তা থন্বীরম্মোইদৌরে। ফোয়দৎপা, থুগায়বা, মাঙহনবনা মখোয়গী নুংঙাইবা ওইখ্রে। হৌরম্বা উপাল ৱাপাল য়ান্থৎলগতা তোকত্রে, অমুক হন্না ময়োল চোংবা ফাওবা ঙমদনবা মৈনা কোগোক কোক্না থাদোকপীরে। চীঙ্গোলদা লৈরম্বা উরৈ পূম্বা থদৎপিরে, ফুকতৎপীরে, ময়ূম মরানয়াইদা পুরগা চৎনখি। মফম খুদিংদা ফত্ত-হৌদি অমোৎ অকায়না পীক থল্লে। অমুকসু চাহৈদবা চীঞ্জাক কয়া পুরক্তুনা পংচা চায়। শম্না হায়রবদা কি-তুক্কৎচরবা মফম অমা ওইরে। কৌব্রু ঐ খাঙবা ৱারে। মহৌশাদগী লৈজরক্লবা লাইগী তরু তরুবা পুখ্রিসু অমোৎ অকায়তনা লংশিনবীবদা মওং চাবা মশক থোকত্রে। চীংগী চীংমায়দা লম্মৈ তোয়না থাবসিনা উপাল-ৱাপাল, নাপী-শিংবী ঙম্না ময়োল চোংবা ঙমদ্রে। মীতৈ লৈবাক্কী লৱাই কোয়রেল ওইরিবা ঐহাকসে মৈশা লাংলে। লৱাই-কোয়রেল মৈশা লাংলবনিনা ইরমদমদদি অৱা-অনা, অমাঙ-অতা, অকায়-অতোয় ফংলবনিনা মফম মফম খুদিংদসু অফবা মহয়দি লৈরক্ত্রে। পূমহোং হেক হোংবা লমদম, অমনা হায়বদা অমনা লৌদ্রবা, অফবা হায়বা মায়কৈদা মায় ওনশিল্লু য়াদ্রবা, মানা মানা অপাম্বতা তৌনরবা লৈবাক ওইরে। ঐনা হায়রিবসে থাজদ্রগনে ঐগী ইশাইগোন্দা লাক্লিবা মীওইশিংসিগী মচীন্দগী ৱাহৈশিংসি তাদুনা য়েংসি... সে...

অহল ঃ অঙাংশা- চীং কারক্লিবসি ফনা শাংলক্লে হৈ। ইস... লম্বীনি হায়দুনা তৌরিসিসু মফম অমত্তা খঙদ্রে। মহৌশাদি শোংলবসু অদুম ময়েক শেংলম্মী। কারিবা চীংমায়গী য়েৎ, ওই মায়কৈ অনীসিদা তরু-তরু, তশেং-তশেংনা লম্বী অনীখক্তং লৈবনি ঙসিদি নাপীসু ইকোক কোক্লক্লসিদা ময়ি শেংদবা লম্বীগী লম্বী ঙাক্তা ঙাইখ্রে। অদুবু ইশুশা! য়েৎ থংবরোমদা চৎফমদি ঈথোক থোকপনি চৎসি লাউ ইপু মাঙ থংগে। সে সে লাউ নুপীমচাগা ননেগদো ঐগী তুংদা চৎলোরাও অদুগা রাজেন নঙ য়াইমগা মখোয়গী তুংদা চৎলু... এ: কৈসু খল্লুনু লাউ লাউ পুপু য়াওরিসিদি।

রাজেন ঃ পুপু! চীংমায়দা উহৈ পাল্লি হায়দুদি কদায়? অমত্তফাওসু লৈতবসে? হৈয়াইসু, হৈগ্রুসু পাল্লিকা পংহায়তা হায়জিল্লি চীংমায়নি হায়দনা মৈনা ইচাক চাকথোকখ্রসিবু!

অহল ঃ খঙদ্রে হৈ তৌরিসে, পুম্নমক ইওন ওল্লম্মে, চহী ৩০ গী মমাঙদনিনে পুপুনা কারুবদো। মতমদুদদি ফজরমখ্রবনিনে, অৱাৎপা অমত্তবু লৈরমদবনি। এঞ্জাং মখল মথেল ফাওবা ফংলিবনি। নুমিৎ হুমনিনি য়ারেক্তুনা লৈরম্মিবা। নুংশিদা অদুক ফজবা পূম্বদো অমুক হন্না উররোইদো।

মশুনুপী ঃ হাইমা পুপু! তায়াইসে পরপ পরপ চেনখৎখিবদো মখোঙ তিংথোক্তুনা আদা ফমদুনা লৈরেনে, ৱারমালে...।

অহল ঃ ৱায়নে ইবেম্মা অদুননি ... লাউ লাউ চৎসি ... আ য়াইমা ৱারব্রো? হৌগৎলো হৌগৎলো ইশুসিদি য়ৌরগা পোত্থারসি। চাং নাইনা অসুম চৎলু চীং কাবদি পোত্থারুরগা থোইনা ৱাবনি। লাকও লাকও শ্বর শাংনা হোল্লু...। ইস ইশুসা! খরদি অদুম ৱাবা তাবনি। সে সে য়েংঙু হৈ অমমলোক হায়বদু য়ৌদৌরেসে...। আঃ নুংশিদা, মতম অমদদি শূকখ্রবা, কিনরমখ্রবা মফমনি নহৈ অঙাংশা... হৌজিক্তি ঈকোক হেক কোক্লেদো আ... য়ৌদৌরে... য়ৌদৌরে... মফমসি য়ৌরবদি নকশিল্লক্লবনি ঐখোয়না পোত্থাবা ফংগদবা মফমদো।

রাজেন ঃ (শ্বর থবেৎ থবেৎ হোন্না) পুপু আদা ৱা মানবা পাম্বী ময়াম হৌরিসিরা তেন-ৱা হায়নরিদো? চৈশু ওইনবা য়ানসিকো হোরেন পুপু।

অহল ঃ মানি মানি ... হোয় য়ানসি...

মশুনুপী ঃ অদো পুপু! করিগীনো অসিবো তেন-ৱা হায়রিসিবো?

অহল ঃ ইশুনা হংলিবসি ফজবা ৱাহংনি - ইবেম্মা মসিগী পাম্বীসে চপ তিংঙিদনা - অদুগা উয় উয়সু লাউয়ে মচৈসে। অদুনা তেন সাবা মতমদা হায়বদি খূৎলায় ওইনা শীজিন্নবদা চানরুবনিনা অদুম মথং মথং শীজিন্নখিবগী ৱানিদা।

মশুনুপী ঃ অদুগা পুপু থায়নদি তেন্না খূৎলাই ওইনসু শীজিন্নরম্মীবনিকো। (ইঙক ঙক্না) হাইমা! য়েংঙো পুপু! আদগী ইরোইনা থৌরী তৌরগা চিংদুনা পুরক্লিসিদি করিনো? (কাংপোৎ চিংবগী মখোল তাই) হাইমা পুপু! অমত্তসু নত্তেনে, মরী মরী অতৈসু লাকইনে- উ ময়ামসু চিংলিনে...! (মখোল অসুম নকশিল্লকই)

অহল ঃ ইস! ও পাম্মুখ্রেদা উপালশিংসে...! হাই! হাই! রাজেন! অঙাংশা! মতাইদা থৈদোকউ থৈদোকউ, পূন্না চৎকনুনে, (অহৌবা মখোলদু তপ্না তপ্না লাপথোকখি)-

মশনুপী ঃ পুপু! ক্রোক ক্রোক লাউরিসে করি মখোলনো?

অহল ঃ ইবেম্মা ! মখোল অসে ইরোইগী মঙক্তা থাংলিবা উনা শাবা শরীখকী মখোলনে। অসিনিনে কাংপোৎ চিংবা হায়রিসে। ও... ওন্থোকপনিদা! উ ময়ামসে নোংমা নোংমগী লেপ্তুনা য়ান্থৎপীবদা চীং পূম্বা মরু ইকোক কোক্তুনা অকায়বা ঙাক্তা থোরক্লনিদো।

মশুনুপী ঃ নুংঙাইতেকো পুপু।

মশুনুপা ঃ য়েংঙো পুপু ওই থংবই চীংমায়সে লোইনা মৈ থাদোকপীরমাল্লে, লোইনা মরু ইকোক কোকলেনে, পাম্বীসু পূমকা কারেকো! অসুমহায়না তৌরিসি তৌহৈদেকো পুপু?

অহল ঃ হৌজিক্কী মীওইবসে য়াম্না ফৎত্রে হায়রিসে অসিনিনে। অসুম্না অসুম তৌরদি কদায়দগী মহৌশাবু কনবা ঙল্লনি- লোইনা মাঙবা তাবনিনে। ও! উজাউ ময়ামসি য়ান্থৎপীরবনিনা মঙোন্দা শাইদাংদুনা ফুগায়না শাৎচরম্বা উরৈ মখল মখলসু মাঙখিবা তাবনিদো - ফত্তেদকো হে তাইবঙ মী! (কপ্লিংনা)

মশুনুপী ঃ পুপু! নহাক কপ্লমালে...?

অহল ঃ ইবেম্মা ! খঙদবা হায়বসে খঙদেদো মখোয়দি অপঙবনি- মহৌশাদা শীংনরুবনা মীওইবা ঐখোয়দতা নৎতনা হিংবদা চঙলিবা অপীকপা অচৌবা জীবদা অমদি লেঙলি-পাল্লি অপূম্বদা মাঙথরক্তুনা উৎকী মপৈগুম পূম্নমকসি তপ্না তপ্না মুৎখিনি হায়বসে মখোয়গী কোক্তা চঙদেনে। অদুনা অহল ওইরবা পুপুদি য়াম্না নুঙাইতেদো। ফরে খরা খোঙকাপ কনখৎসি ইশুশিং চাক লাম্লম্মনি লাকও।

পুপুগী তুং তপ্না ইল্লকউ ৱাগনি। য়ৌরবনি।

মশুঃ ঐখোয় পুপুনা শঙ লৈ, নুমিৎ নীনি হুম্নি লৈরকই হায়রিসিবু কদায়দনোনে - হাই, য়েংঙো মেমা আদই তোংখৎপা মফম অসি শোয়দনা ওইরম্মনি শঙ লৈরম্মী হায়দো। ঐখোয়না পুরকপা ফিদাদো থারগা পোত্থারুসি লাউ। এ এ ইনেখোয়সু পুপুগা মফমদুদা লৈরেসে।

মশুনুপী ঃ হো পুপু চুম্মবরো মফমদো?

অহল ঃ চুম্মে চুম্মে লাকও লাকও ঙাইহাক পোত্থারো ননেখোই, রাজেনখোই চাক থোংহল্লসি। য়েংবদা নুঙাইবা থায়নগী কৌব্রুদুদি ওইদ্রেদা ইশুশা। নহানমুক লাকপদদি ঈশিংসু লুয় ননেখোইনা খাড়া শারিবদুগী মনাক্তা মখ্বাং ফাওবা কুমদুনা মশম মনা চেঙহী লুদুনা হরাউনা করিসু হঙ্গোইদনা ইরু মায়থজরিবনি। হৌজিক্তদি হকচাং ফুরি থুংগদবা মাল্লে।

য়াইমা ঃ অস পুপু! অসিদি চাক থোংবা খোৎপা য়াগদবা মান্দ্রে কমদৌনি?

অহল ঃ উম ইশুনা হায়বা চুম্মী, সে সে নাকল অসোমদা খোং মচা অমা লৈহৌবনি অদুগী ফীভম য়েংলগা বালটিন কাদু পুরগা শোক্লুরো পাঙনবা চাক চখোম অমমমতংদি চানবা শীনসি। কুইনদি লৈথররোইসি ইশুসা! মমাঙঙৈগী মতৌদু নৎত্রে মী য়াম্না ফৎত্রে। চৎলো চৎলো ৱাদুনা লৈথোকপা য়াদ্রে - তৌফম থোকপা নথৌদু হেক্তা তৌ ইশুসিদি। খরা থুনা হনখিনবা তৌসি - হাই... নখোঙ য়াঙঙু তপকনু চৎলু। ও! ওন্থোক্না ফত্তেদকো মীওইবা নখোয়সে! অদুক ফীভম ফনা লৈহৌবা অদুবু। মথক কূপহৌরিবা জিঙ্খশিংদুনা কনানা লৌথোকপনো হায়রসু কনামতনা খঙবা নৎত্রে। এ এ হাইমা! য়েংঙুনহৈ ষণ মরুম শাবা মথকসিদবু মৈখু কারক্লিবসে। লম্মৈ অমুকসু থারিমাল্লেনে ও... মসিবু ঐখোয়গী লাইফমদুনিকো! মাঙবা তারেকো লৈবাকসে।

মশুনুপী ঃ পুপু কৈদৌরে কপ্লীংবরা?

অহল ঃ ইবেম্মা ইশুদি কৈসু খঙলোইদো - য়াম্না কপ্লীংঙি পুপুদি। মসে মী অমখক্কী মাঙ তাক্লবা নত্তেনে - মীওইবা হায়বা ফুরুপ অসি পুম্মাঙ মাঙথরক্কদৌরিবনিনে। খরা চাউরগা লাইরিক ফজনা তম্লকান্দা লোইনা খঙলক্কনি। খুদম অমত্তং পীরবদা মহৌশাগী খূৎশেম কায়থরকপদগীনি মতম চাদনা নোং চুরিবা, ইথা থাজদনা মতম মফম খঙহৌদা য়ুহারাবা থোক্লিবা, নোংজু অমুক্তা ঈশিং চাউফম থোক্তনা চাউদুনা খঙহৌদনা মীওই কয়াগী থৱায় মাঙনরিবা... করি তৌরুনি ইবেম্মা অহল ওইরবা পুপুনা তেংথারুদুনবু ... করিসু উপায় লৈতেকো?

মশুনুপী ঃ অওইনি পুপু তল্লি হৈ, লোইনমক হেক মাঙহল্লিকো - দাদাখোইসু লাক্লে পুপু! দাদা! নখোয় চাক থাঙ্গৎপীরো, পুপুনা মৈ ফজনা থাগৎপিরে।

অহল ঃ লাকও লাকও ইবুঙো! খঙদেদা ইশুসা তৌরিসে, লৈবাকসে মতাম তৌরেদা! ফরে হন্দক্তি ঙমদ্রে। মথংদা অমুক্তংদি লাকখিসি, মদুদদিনে ঐখোয়নে উহৌ ফবা, য়াম্না হৌগনবা, চাউরৈ কনবা পাম্বী ময়াম পুরকসি। মীসু য়াওহনসি। পুখ্রিসিসুনে ঐখোয় ময়াম্নমে শেংদোক্লগনে অমোৎ-অকায়শিংসিসু লৌখৎলমসি। অদুগা অনকপদা লৈরিবা খুঞ্জাশিংদসু ঐখোয়না থাজরল্লিবা উশিংদো য়ান্থৎপীগনু, মৈ থাদোকপীগনু, ইপা ইপুগী মাঙবা য়াদ্রবা লাইফমনি, লাইগী উয়োক ওইনা হৌজসনু হায়না ৱাখল তানবসু হায়রমসি। অকোয়বদা লৈরিবা মখোয়নবু ঙাকপী শেনবীরবদি থায়নগী কৌব্রুগী ফজবদুদগী হেন্নদুম ফজহনবা য়াগনি। ঐখোয় পূক্নিং হনবা য়াদেকো ইশুসা।

কৌব্রু ঃ হায়রিশিংসে তারেদনা! কৌব্রু ঐগী ইশক-ইতৌ মহৌশাগা কয়াদা খেন্নরবা! নুপাসিনা ইশাইকোনসিদা লাকখিবা মতমদুদা মানা থেংনখিবনি - চীংমায় পূম্বা পূমশং শং, চীংখা পূম্বসু অশংবা ঙাক্তা। মখল কয়াগী এঞ্জাং নাপী কৌব্রু ঐঙোন্দগী ফংদবা লৈখিদে। নুমিৎ হুমনি চূপ্না ময়ূমগুম্না পূক্নিং লুম্না লেনখিবনি। অহল অসিনা মখা থাবা মচা মশুশিংদা কৌব্রু ঐগী ৱারী শীংবুল কয়াদা নুংশিনা অয়ূক নুমিদাংদা লীবীখিবা ঙসিসু কাউদ্রি। অশংবা মনানা য়োল্লবা পাম্বীদা চূম্না পানবা উহৈ কয়া, মখল কয়াগী মচু মচুগী উরৈনা মনীংতম্না শাংথ-লেংথ শাৎচবা, চীংলোন চীংলোনগী মফম কয়াদা অশংবা নাপীনা রেশমগী ফিদাগুম উহল্লবা থেল কয়াদা চীং কারকপা কয়ানা ফজববু য়েংজদুনা পোত্থানখিবনি। ৱাংথোইরবা শকখঙদ্রবা পামেলশিংদুদা চয়োম শানা য়োক্লবা অঙৌবা লৈ চবুল চবুল-, লৈশিংদুদগী চোইনা কেল্লকপা লৈকা লৈকাগী লৈনানা অশংবা নাপীথক্তা পাক শন্না চাইথরকপদুগী ফজবদি করিবু হায়না শীংথানি। চীং কাবা লাক্লিবা লাক্লিবীশিংনা মখোয়গী মখোঙনা নেত্তুনা চৎপা ঙমখিদে। অমুক চীংগী নাপোমগী ঙল্লপ তৌবা চীংমায় চীংমায়দা অশংবা মখল কয়াগী নাপীলক্তা ঙাংঙ্গাননা থিনগৎলকপা য়াইপল মপান্না পূমশন শন্না শন্দোক্তুনা হৌরিবদুগী ফজবদুনা অঙকপা অমা ওইহল্লি। চীংমায়গী উমংগী উপাল পূম্বদু য়ানবা য়াদে হায়বগী খুদম উৎপগা লোয়ননা উগী মখোঙ খুদিং ফুট ৩/৪ ৱাংনা অঙৌবা মচুনা শঙদুনা ঙাক শেল্লিবনি হায়বা খঙহল্লি। কয়াদা পেঞ্জরম্বা মতম অদো। অদুবু ৱাখল মান্নদবা কয়াগী অকনবা লান কৌব্রু ঐনা কয়ারক উদুনা লাকখ্রবনি। কনামনা ফজবদুবু য়েংজরগা পেনজৈ। কনা অমনা পৎ পৎ থত্তুনা মরানয়াইদা পুদুনা চৎখি। অসিনি খেন্নবা মীওইবা মরকসিদা।

য়েংঙু হৌজিক্তি মীওইবশিংনা মহৌশাগী খূৎশেম্বু থওইরুদবদগী, শীংনরুবদগী মতম নাইনা শিৎপা নুংশিৎ শিৎখিদরে। মতম নাইনা লাক্লম্বা নোংহৌসু লাকখিদ্রে। মহৌশাগী খল কায়রবনিনা ঈচাওগী অৱাবা তোয়না নংলে, ঈকং থোকপগী চৈনাসু ফংলে। থোকহৈদবা থৌদোক ঙাক থোক্লে, ইশানা ইশাবু হঞ্জিন হঞ্জিন ৱাহঞ্জরে। উমং কোকথোকপদগী উমংগী জীব পূম্বা মাঙহল্লে। শেম্বীবা মপুনা মীওইবগী তেংবাংনবা, মথৌ অমমম পীরগা থারক্লিবা জীবশিংবু মাঙহনবদগী মশক খঙদ্রবা, কনবা ঙমদ্রবা লায়না লায়থুং কয়ানা মীওইবদা লেপ্তুনা লান্দারক্লি। অসিদগীদি অনা লায়েং হৈবনসু কনবা ঙমগদবা মান্দে মীওইবসে। অদুমকপু, জীব পূম্বদগী খ্বাইদগী লৌশিং লৈবদি মীওইবনি খঙনরি। মীওইবা! নখোয়না লৌশিং পূম্বা অফবা মায়কৈদা শীজিন্নরবদি পূম্ন মক ঙমদবা লৈরোই। শেমগৎপা নৎত্রগা মাঙহনবা নখোয়গী খূত্তা লৈরে। খল্লু হৌজিকসু থেঙলবসু থেঙনা মতমদি লৈরিকো।

"Life is what we make it, and the world is what we make it."


# লোকনায়ক জায়াপ্রকাস নরায়ন

## মনিহার গোশ্বামি
### ভেটরান জর্নেলিষ্ট

*বিহার* অমদি য়ু পি অনীগী লোন্নবা মফমদা কুমজা ১৯০২ দা লোকনায়ক জায়াপ্রকাস নরায়ন পোকখি। ওক্টোবর ১১ অসি মহাক্কী মপোক নুমিৎনি। য়ু পিগী মনুং চনবা সিটাবিরা হায়বা খুঙ্গংদা লৈবা হরশুদয়ান কৌবা অমগী মচানি। মহৈরোয় ওইরিঙৈদগী ৱাখল লৌশিং চঙ্খোনবা ওইরকই। তম্লুবা স্কুল, কোলেজ, য়ুনিভর্সিটি খুদিংদা মহাক্না মাঙজিন থারকই। নোম্বা কনবা, মীনুংশি চাওবা, মপা-মমা, মরুপ-মপিজা, অহল-লমন্দা হেন্না থকসি-খাসি লৈরকই। কুমজা ১৯১৯ দা ইন্দিয়া থাদোক্তুনা য়ু এস এদা মহৈ তম্বা চৎখি। ওক্সফোর্দ, হারভাদ, ষ্টানফোর্দ, য়াহু অসিনচিংবা য়ুনিভর্সিটিশিংদা মহৈ তম্লকখি।

গনতন্ত্রদা থৱায় লুপচবা ঐখোয়গী ইন্দিয়া ঙসিদি মালেমগী মনুংদা হীরম কয়াদা নোপ্তুবা, শক্তি লৈরবা চাওখৎলক্লিবা লৈবাক অমনি। অসিগুম্বা লৈবাক অসিদা শক-চু মান্নদবা, লোল, লাইনীং খেন্নবা কাঙলুপ কয়ানা নুংশি চান্ননা পূন্না খুন্দা লৈতামিন্নদুনা নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী লৈমিন্নরক্লি। অসিগুম্বা লৈবাক অসিনা নীংখা-তম্বা ফংদ্রিঙৈ মমাঙদগী 'ইন্দিয়া' বু মশক নাইবা, মতিক-মগুন লৈবা অনৌবা ইন্দিয়া অমা ওইরক্ন বা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং য়াবিরম্বা অমসুং মশাগী ওইজবা কয়া থাদোক্তুনা কত্থোকপা হায়বা ধর্ম্মনা মাঙওইননা, পুন্সি চুপ্পা কৎথোক্লবা মীশক অমা ওইদুনা সার্বোদয়াগী লমদা খোঙ থাংজিন্দুনা লৈবাক মীয়ামগীদমক পুন্সি লোমখিবা শক্নাইরবশিংগী মনুংদা 'লোকনায়ক জায়াপ্রকাস নরায়ন' সু শিংথানিংঙাইনি।

'লোকনায়ক জায়াপ্রকাস নরায়ন' মহাক্কী পুন্সিগী অঙনবা মতমদা মাক্সিস অমা ওইনা হৌরক্লবসু কুমজা ১৯২৯ দগী ১৯৫৪ ফাওবা চহী ২৫ চুপ্পা সোসিএলিষ্ট অমসুং সারভোদয়াগী লুচিংবা অমা ওইনা লৈবাক্কী থৌরম থৌদাং কয়াদা অচৌবা শরুক য়াখি। অসিগুম্বা লুচিংবা অসিনা কুমজা ১৯৩২ দগীনা ১৯৩৪ ফাওবা সোসিএলিষ্ট অমা ওইনা অমসুং সোসিএলিষ্ট লুচিংবা মিন্নো মসানি, অশোক




মহেতা অমসুং এন জি গোরেগা লোয়ননা নাসিক সেন্ট্রেল জেলদা লৈখি। জেল মনুংদা বন্দি অমা ওইনা লৈনা লৈনা কুমজা ১৯৩৪ দা কোংগ্রেস সোসিএলিষ্ট পার্টি লিংখৎখি। কুমজা ১৯৪২ গী ইন্দিয়ন ফ্রীদম অমসুং গ্রেট রেভল্যুসনরিগী ঈহৌদা মহাক্না রাম মনোহর লোহি, অরুনা অসাফ অলি অমসুং অচুত্তা পাটৱারধান্নচিংবা ফ্রীদম ফাইটরশিংগা লোয়ননা ইন্দিয়া থাদোকউ হায়বা খোল্লাও কয়া লাউদুনা চৎখিবা খোঙচৎ কয়াশিং খক নাথৈদুনা থম্বা য়ারোইদবা ইন্দিয়ান হিষ্টোরি অমসুং ইন্দিয়ান থোটনা শাখি থমখ্রবা ভারত ইমাগী পুকচেল চাউরবা মচানি।

নাসিক সেন্ট্রেল জেলদগী থোরক্লবা মতুংদা হজারিবাঘ সেন্ট্রেল জেলদা মতম অদুগী রেভল্যুসনরিগী ঈহৌদা মহাকপু ফাজিন্দুনা থমখি। অদুবু অমুক হন্না কুমজা ১৯৪২ চহী অসিমক্তদা হজারিবাঘ সেন্ট্রেল জেলদগী থৌনা ফনা কমরেদ মঙাগা লোয়ননা নাম্থোক্তুনা চেল্লকখি অমসুং 'দ গ্রেট হেরো' হায়বা মিংথোল ফংখি অদুগা সেপ্টেম্বর থাদা আগ্রা জেলদা ফাজিনখি অমসুং কুমজা ১৯৪৬ কী এপ্রিল থাগী তারিখ ১১ দা আগ্রা জেলদগী থাদোরকখি।

অসুম্না মরৈবাক্কীদমক খনবতা নত্তনা মালেমদা শান্তিথম্বা পামজবা মীশক অমা ওইনা অমসুং শান্তি থম্নবা হোৎনবদা মপাঙ্গল ওইনবগীদমক মহাক্না কুমজা ১৯৬১ দা শান্তি সেনা বিদ্যালয়া (পিছ ফোর্স স্কুল), তরুন শান্তি সেনা (য়ঙ পিছ ফোর্স) অমসুং গান্ধী বিদ্যা সমাজ লিংখৎখি। অসিদা নত্তনা মহাক্না লন্দনদা মালেমগী লৈবাকশিংদা খূৎলায় পায়হন্দবগী কনফরেন্স (Disarmment) তসু শরুক য়াখি অমসুং বৈরুটতা মালেমগী শক্নাইরবা লুচিংবা Bertal Russell, Micheal Scoutt, Kennette Kaunda, Julius Nyerere, Martin Luther King নচিংবা কয়ানা শরুক য়াদুনা ফমখিবা পিছ কনফরেন্সতা জায়াপ্রকাস নরায়নসু শরুক য়াখি। লোয়ননা মহাকপু ইকায়খুম্নবা উৎতুনা প্রসিদেন্ট ওইনা খনখি অমসুং কুমজা ১৯৬২ দা মালেমগী Peace Brigade কী কো চেরমেন অমা ওইনা কেনিয়াদা World Peace Brigade য়াওনবগীদমক ইন্দিয়া থাদোকখি। অসিদা নত্তনা মহাক্কী পান্দমদি লোয়বা নাইদে অমসুং কুমজা ১৯৬৪ দা মতম কুইন্দগী লোইশিনবা ঙমদ্রবা নাগাগী ৱাথোক লোইশিন্নবগীদমক্তা নাগা পিছ মিসন কম্মিটি শেমখি। অসিগুল্লবা মিসন কম্মিটি অসিগী মরুওইবা থৌদাং য়াখিবা মীওইশিংদি Jayaprakash Narayan, Shgankar Rao Dev, Reverend Micheal Scott অমসুং মতম অদুগী আসামগী Chief Minister Vimla Prassad Chaliah থোইদোক্না শিংথানিংঙাইনি।

অসিগুল্লবা মিসন অসিবু ইন্দিয়া লৈঙাক অমসুং নাগালেন্দ লৈঙাক্না মশক খঙলবা জায়াপ্রকাস নরায়ন অমসুং নাগালেন্দ বেপটিষ্ট লুচিংবশিংনা মাগী মাগী লৈঙাক্কী মীহুৎ শিন্দুনা ৱাথোক অদু শান্তি ওইনা লোইশিন্নবগীদমক ওপোজিসন পার্টিশিংগা লোয়ননা বিহার জঙ্গলদা মিতিন তৌদুনা য়ানরবা মতুংদা ৱাথোক অদু শান্তি ওইনা লোইশিনখি অমসুং মহৌশাগী পুন্সিদা হঞ্জিনহনখি। অসিদা নত্তনা কুমজা ১৯৭২ দা চম্বল ভেলিগী তমথিরবা দাকুশিংগী পুন্সিবু খূৎলায় থাদোক্তুনা জায়াপ্রকাস নরায়ন অমসুং ভিনোবাগী মমাঙদা চঙজরক্তুনা খূৎলায়গা লোয়ননা সরেন্দর তৌখি অমসুং তং তাবা মীওইবগী পুন্সি মরেলদা লৈতাহনখিবা ঙম্বা অসিমক মহাক্কী খ্বাইদগী চাউবা থৌদাংনি।

মণিপুরদসু সোসিএলিষ্ট মুভমেন্টতা মাঙজিন থাদুনা লুচিংলম্বা (১) লাইশ্রম অচৌ সিংহ, এম পি (২) ৱাঙ্খেমযুম কুলবিধু সিংহ, এম পি (৩) রিশাং কৈশিং অমদি (৪) পোৎশংবম তোম্বী সিংহনচিংবা অসি জায়াপ্রকাস নরায়নগা খ্বাইদগী নক্লবা ঙাক্তনি।

অসিগুল্লবা মহাক্কী মীগা-মীগা অনীগী মরক্তা খেন্নবা থমদবা মপুন্সি চুপ্পা কত্থোকপা হায়বা গুনশিং অসিনা মহাকপু 'Heart of India' The King of the heart of the Indian Youths' হায়নসু খঙনৈ লোয়ননা মহাকপু ইকায়খুম্নবা উৎতুনা কুমজা ১৯৬৫ দা Ramon Magsaysay Award অমসুং কুমজা ১৯৯৮ গী দিসেম্বরগী তারিখ ২৩ দা মতম অদুগী এন দি এ লৈঙাক্না খ্বাইদগী ৱাংলবা সিভিল এৱার্দ 'ভারত রত্না' মহাক্না লৈখিদ্রবা মতুংদা পীখি।